# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৯৬

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

**নুংশিৎ** শিৎতনা উনা খক লেংদে, উনা লেংলকপা হায়বসি মশক উদবা নুংশিংনা মীয়ামদা তাক্লমদবা ওইজরবসু করিগুম্বা খরদি তৌরে হায়বসি উনা লেংলকপা অদুনা মরোমদোম তাকচরকপনি। ঙসি ফাওবা লাইনসু, মীনসু খঙনরবা ঙাক্তনি। মীওইবনা ঙসি ফাওবা ময়েক শেংনা খঙনরবা শানা শিবনা খোঙ্গুলদা, মীনা শিবনা চিনদনি হায়বসি ককনীংঙাই লৈতনা চুল্লবনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঙসি ফাওবা অচুম্বা অশেংবা থবক ওইনা পাঙথোক্তবদগী লৈবাক ঈরাং হৌরকপনি। লৈবাক ঈরাং হৌরবদি ঈরাংগী থৌবুরোই, ঈরাং লুচিংবশিং খরদি নুংঙাইহৌই। মসিসু ওন্থোক্তা ৱাহন্থোক লৈবা নুং-পানগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক মতম মতমগী গ্লাস ওইবসিনা ওন্থোরকপা মতমগী চৎনবীনি।

মসি পূম্নমক মীয়াম্না তরু তশেংনা খঙনরবা ঙাক্তনি। মীওইবদি ঙসিগী ২১শুবা চক অসিদা মীৎনা উবা লাই হায়বদুনি। মীওইবা ঐখোয়না তশেং তশেংনা খঙনরবা উনরবা ঙাক্তনি। খরদং পঞ্জরবদা চহী খরগী মমাঙদা থাজ-থাজদ্রবা থৌদোক ৱাথোক মশীং খঙদনা থোকখ্রে। থৌদোকশিং অদুগী অচুম-অরান ঙসি ফাওবা লৈবাক মীয়াম খঙনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক কনা-কনানা কদাইদা পীখ্রবগে? ইন্দিয়া পূম্নমক্না খঙনরবা মনোরমাগী মীহাৎ, চীংমী চনু রোজকী মীহাৎ, তম্ফাসনাগী মীশি, নিলম পঞ্চভায়গী মীশি, মসিগী মথক্তা লালহৌবা নহারোলশিংগী মীহাৎ অমদি লংলা লংজিন ঙসি ফাওবা লৈবাক মীয়াম খঙনা ফোঙদোক্তবসিবু করম্বা নুংগী ওইবা অরোনবা থৌশিলনো? অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক কয়া মশীং খঙদনা মতম-মতমগী লৈঙাক্লা লোৎশিন্দুনা থম্লরকখিবা মশীং খঙদনা লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা নীংবা কায়বা নহারোল কয়াগী পুন্সি কয়াসু মতম-মতমগী লৈঙাক অদুনা খঙহন-উহন্দনা নমশিন্দুনা থন্বীখ্রে হায়বসি খঙনা-খঙনা ঙসি ফাওবা মীয়াম নীংবা কায়না ফোঙদোক্তনা লৈনরি। নাকল অমরোমদনা মতম-মতমগী লৈঙাকলোয়শিংনা চহী মঙাদং মন্ত্রি ওইহৌবা, চহী মঙাদং এম এল এ ওইহৌবশিংনা পুন্সিদা অমুক্তং ফাওবা তানশিনবা ঙম্লরোইদবা মরল-মথুম তানশিলহৌবা কয়া লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা লৈঙাক অসিগী মখাদা মণিপুরগী মীওই লিশীং কয়া ঙসি ফাওবা খাঙলি। মথক্তা খরদং পঞ্জখ্রিবশিং অসি নত্তবা অরোনবা মীহাৎ, অরোনবা মীশি কয়াসু মশীং খঙদনা লৈতবা নত্তে। মসিবু অচুম্বা লৈঙাক্কী অচুম্বা ৱায়েল অমরা? মসিদা পাঙ্গল-থৌনা-লিংজেল পানবা মীশক অমত্তা লমদমসিদা চোঙথোরক্তবা হায়বসি অচুম্বসিবু লৈরিব্রা হায়না থিজরকপা চহী কুমওন ২৫গী মথক্তা হৌজিনখ্রে। 'অচুম্বসিবু লৈরিব্রা'? মরম অদুনা লমদমসি শেঞ্জাউ পায়বা, শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা মীশকশিংনা খুলিংবা লমদম অমগী শক্তম লৌরক্লে। অসিগুম্বা লমদমসি চাওখৎলকপগী শক্তম অমরা নৎত্রগা মাঙথরকপগী খুদমলা? তশেংনমক খুদম চাংদম মতিক চানা পুথোক্তুনা শঙ্গ-পঙ্গগী ৱাফমলোমদা অচুম্ববু অরানবা তাহনবা ঙম্বা লৈবাক অমগী লৈঙাকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্কদ্রা? ৱাহংনি পেন্নদবগী ৱাহং, মসিগী পাউখুম ঙসি ফাওবা মীয়াম্না ঙাইনরি। ঙাইখিগনি কয়াম কুইনা ঙাইখিগদগে হায়বদি মতম পীবা ঙম্নদবসি কুমওন কয়াদি হৌখ্রে।

ঙসি ফাওবা শাখি-শাবোন মতিক চানা মীয়াম মমাঙদা পুথোকপা ঙমদবদগী নাথৈখিবনি হায়না লৌজরবসু ৱানা চাক্লা খাঙজবা তাবনি। অসিগুম্বা মশীং খঙদবা কয়া নমশিন্দুনা থন্বীখ্রে। অসিগুম্বা নীংবা কায়রবা ইমুং মনুং মশীং থিঙমদনা ৱানা চাক্লা থন্মোয়দা খুতুম্না শুদুনা খাঙলিবা কয়ানি। অসিগুম্বা লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈরকপা মীচম মীয়ামশিং কয়াম কুইনা ৱানা খাঙলমগনি। মসিদবু অচুম্বগী মফম কদাইদা লৈরিবগে?

মসি পূম্নমক হৌখ্রসনু আইন হায়বসিবু ঐখোয় মণিপুরদা ইরৈমক লৈত্রবরা? আইনবু মমুৎ তানা মায়োক্লবা ঙম্বা অচুম্বগী শক্তম কনবা য়াবা ঐখোয়গী মণিপুরদা শুকলৈমক লৈত্রবরা? ওন্থোক্লা লাইবক থীরবা মৈতৈ লৈবাক্তা পোক্লুইদা। অচুম্বগী পান্দম, অচুম্বগী ৱায়েল হায়বদু করম্বা চহীদা লাক্কদগে? ঙাইখিগদ্রা? ঙাইনররোইদ্রা? ৱাহংতা মঙাইরে, পাউখুম পীবিনবদি লোৎতুনা লৈখ্রবরা? অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বা চক অদু ওইনা তোক্লগদ্রা? ঙসি ফাওবা মণিপুর মীয়াম খাঙলি। মণিপুর মীয়ামসু পংথনবা হীদাক কাপ্তুনা থন্বীরব্রা? অদুবু মৈ-ঈশিংনা চামদুনা কোক্লরোইদ্রবা, মাঙহনবা ঙম্লরোইদ্রবা রবিনা অমদি সঞ্জিৎকী নুংথিল পোবোবকী মীহাৎ ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থন্বীরি। রবিনাগী মীরোল তাদ্রিবা অঙাংদো ঙসিদি চাউরল্লগগনি। ইমা-ইপা, মরুপ-মপাং খুদিংমক লোইনা কায়নবা হায়বসি তাইবঙগী চৎনবীনি। অদুবু রবিনা-সঞ্জিৎকী মীশিদি ঙসিগী তাইবঙ মীওইবনা কৈদৌনুংদা কাউথোকপা লৈররোই। মসিগী অচুম্বা শক্তম তরু-তরুবা মীয়াম মমাঙদা অচুম্বগী দন্দি, অচুম্বগী মশক ফজনা ফোঙদোক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিংবু লৈবাক মীয়াম খঙনা দন্দি পীদ্রিমখৈ মবুং-মৌপ্পা, মরী-মতা, মরুপ-মপাং খুদিংমক্লা হিমালয় চীংজাউগ্গুম লেপ্তুনা লৈরি। মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মরাল লৈবশিংবু শিবা ঙাইরিব্রা?

ঙসিগী লৈঙাক্কী লুচিংবশিং করিগী তুমিন-তুমিন লৈশিনবীবনো। মমাঙগী থৌদোকশিংদা অচুম-অরানগী ৱায়েল নমশিন্দুনা থম্বগী ৱাহন্থোক মীয়াম্না ফজনা লৌনরোই। মতম লেনবনদি অচুম্বা লন্বী মাঙহনবা খক য়াররোই। ফমজাউ পায়রম্বা কয়া মীচম ওল্লক্লি। মতিক চাবা প্রমান ফংলবসু চৈরাক হেক্তা পীবা ঙমদবসিবু লৈঙাক অসিদা আইন হায়বদু চৎনদ্রবরা? নৎত্রগনা মতম মতমগী শঙ্গ-পঙ্গ, শেঞ্জাউ পায়বগী শেলয়াম্না কুপশিন্দুনা ৱা ঙাঙবা ফাওবা ঙমনদবগী শক্তমদা লাক্লব্রা? লৈবাক অসিদা আইনগী মশক নোংম-নোংমগী ময়া কুমশিল্লক্লব্রা? মীয়াম্না ঙাইরি, মীয়াম্না লেপ্তুনা হংনরক্লি তোন্বীসনা হায় স্কুলদগী ফংখিবা মীকোকশিংগী কেস কদোমদা থৈবীখ্রবগে? ঙসিগী লৈঙাক অসিনা কমদৌনা থন্বীগে খনবীরিবগে?

ইলেক্সন মমাঙদা লাউরম্বশিং মণিপুর মীয়াম্না শাখিনি। কোংগ্রেসকী লৈঙাক লোইখ্রবা মতুং বি জে পিগী লৈঙাক অমুক লাক্লে। মথংগী ইলেক্সনসু অমুক লাক্লগনি। মসিদনা করি কমদৌনা মীয়ামদগী ভোট নীগদৌরি। পোলিটিক্সপু অঙাংগী মতৌগুম্বা পংঙাঙ ঙাঙবদি ঙসিগী কম্প্যুটরগী খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা করম্বা মায়ওন পুরক্কনি। পোলিটিক্স তৌরিবশিংদগী মীচম মীয়ামগী মরক্তসু হৈথোই শিংথোইরবা, লাইরিক-লাইশুদা খঙ-হৈরবশিং মশীং থিঙমদনা অচুম্বা লন্বী, অঙানবা শক্তমগীদমক হিমালয় চীংজাউগ্গুম লৈরি। মরম অসিনা মশক থোকপা, ফিদম্নফম ওইবা থবক খরদং মচু থোক্লা পায়খৎপীহৌরবদি মীয়াম অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা ঙমগনি নীংই। নুমিৎকীদমক ৱাই হায়বদু ওইনা থোক্কদ্রা?

অশেংবা আইনদি মীয়ামগীনি। আইন হায়বসি মীয়াম্বু মমায় চুম্নবগী খুৎলায়নি। আইন লৈত্রবদি লৈবাক কাংখোং চাইবা তাবনি। আইনবু মতম পূম্নমক্তা ইকায়খুম্নবীগদবনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা আইন হায়বসি মাগী মাগী ষ্টেটকী তোঙান তোঙান্না লৈফম থোক্তে। দিল্লিগী আইন, অসামগী আইন, কোলকটাগী আইন হায়না তোপ্না লৈফম থোক্তব্রা খল্লি। মতম মতমগী খুদোংচাবা খরা লৌহৌননবা পংঙাঙ ঙাঙবনদি তুং কোয়না চৎনবা খক য়ারোই। ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনসু মীয়াম্বু শুমদুনা পুবসু য়ারোই। মাগী মাগী মতম মতমগী খুদোংচাবা খরগীদমক পোলিটিক্স শান্নবসু অফবা খক ওইরোই। ঙসিগী কম্প্যুটরগী খম থেংনা চাওখৎলবা তাঞ্জাসিদা ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল তামিন্নরসি। ঙসিগী নহারোল খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎলক্লি। মতম অমগী পোলিটিকেল পার্টি খরনা মীয়াম্বু হোইদুনা পুবা য়াবা মতমদু লোইখ্রে। মহৈরোয় অপূনবা লূপশিংনা ঙসিগী লৈঙাক্কী মায়ওন অচুম্বা লন্বীদা পুরক্লবা মতমসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থন্মোয় শেংনা কথোকপগা লোয়ননা অচুম্বা লন্বীদা মীয়াম্বু লমজিংবা মতম ওইরে। অচুম্বগীদমক লেপ্পীয়ু, অচুম্বা হায়বসি কৈদৌনুংদা মাঙহনবা খক য়ারোই। মতম অমদা পোলিটিকেল পার্টি খরনা মীয়াম্বু নমথাক তৌরম্বশিং ফাগৎতুনা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীদুনা য়াদে হায়বা চপ চাবা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। চিনগা খূৎকা মান্নবীয়ু। চিন্না অমা, খূৎনা অমা তৌরবদি মায়থীনবগী লন্বীদা চৎপগুম থোক্কনি। লৈবাক মীয়াম পূল্লসি, মীয়াম পূল্লবদা মালেমদা মায়থীবা পীবীনবা কনাসু লৈরোই। অচুম্ববু কৈদৌনুংদা মায়থীবা পীবা খক ঙল্লোই। অচুম্বগীদমক লেপমিন্নরসি, অচুম্বতনা মতম পূম্বগী জয় লৌমীন্নরসি, মীয়াম হৌরসি, মীয়াম পূল্লসি, মীয়াম্না জয় লৌমিন্নরসি।

# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ২৫

**রন্দোল্ফ মোইরাংথেম**




নীংশিংবা থোকত্রিঙৈ মীকুপ্তগী লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিংগী মশীং থিঙমদ্রবা খূৎশেম কয়ানা য়ুনিভর্স অসি মখল মখলগী খূৎশেম কয়া শেম্মী হায়বসিমদি পূম্নমক্লা য়ানরবা ৱাফম ওইফম থোকই। য়ুনিভর্সকী মনুং চন্না লৈরিবা মালেম অসিদা ঐখোয় কুচু মান্নদবা মখল মখলগী লোল ময়াম অমা তিন্নদবা মীওই কয়া অমসু খুদামিন্নরি। মীওইবা ফুরুপ খক্তা নত্তবদা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া কয়া, উপাল-ৱাপালনচিংবা তাইবঙ মীওইবনা থিজিনবদা খঙবা ঙম্লরোইদবা লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিংগী খূৎশেম অসি ঙসিগী চাওখৎলে হায়রিবা তাইবঙ মীওইবশিংনা থিজিল্লগা ফংলকপা হায়বসিমদি ওইথোক্লরোইদবনি।

**'ওরিজিন ওফ টবলা' টবলা করম্না ওইরকখি :** মালেমদা লৈরিবা মীওইবা ফুরুপ খুদিংমক্লা খঙই মদুদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক অমদি অতিংঙা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিগী Saket তা Garden of five senses কৌবা মফম অমা লৈ। নৈনজরিবা ৱাফম হায়বদি **ওরিজিন ওফ টবলা** ফোঙদোরকপা তারবদি ঙমখৈ লৈতনা চাউখ্রবা **য়ুনিভর্স** অসিদগী করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা সোলর সিষ্টেম অসিদা চঙলক্তে। মরম অসি লৈবনা সোলর সিষ্টেমদা ফংলিবা পোৎ ময়াম অসিনা অমগা অমগা পুনশিন্নরগা নৎত্রগা খাইদোক্লরগা অনৌ অনৌবা পোৎশিং শাবা হায়বসি লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিংগী য়াম্না য়াইফরবা খুদোলশিংনি। মীওইবনা হৌজিক ফাওবা শারকপা পোৎশিং অমদি মীওইবগী মমিংশিং অসি মতম মতমগী ওন্দুনা লাকপা অসি মীওইবগী হীরম (কলচর) খুদিংমক্তা চৎনদুনা লাকই। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা মৈতৈশিংগী মমিংশিং অসি খাগেম্বা (খাকিঙম্বা), খেললৈ নোংনাং তেলহৈবা, কাংবনচিংবা মতম অমদা কৌনরম্বদগী গরিপ নৱাজ (লায়রবশিংবু থৌজালবিবা) টিকেন্দ্রজিৎ, কুল্লচন্দ্র, তোম্বা, চাওবা, ইবেতোম্বী হৌজিক্লা অমুক লৈশেম্বী, য়াইফবী, তেলহৈবনচিংবশিংদা ওইল্লকপগুম টবলাগী মমিং অসিসু অসুম-অসুম ওল্লক্তুনা ঙসিদি টবলা হায়বা শিংথানরবা Percussion Musical Instrument শিংগী মনুংদা মফম অমা কল্লে। Swati Muni মালেমগী মমিং লৈরবা লাইরিক ইরম্বা Bharat Muni গী Bharat Natya Sastra গী গুরু দেবনা ইন্দিয়াগী পূং মখল অহুম পুথোক্লম্বগী ৱারী য়াওরি।

মতাং অসিদা Swami Prajnanananda না ইবা Historical Development of Indian Music তা অসুম্নসু ইবিরম্মী। A NOTE : I would like ascribe the date of Muni Bharata, the author of the Natyasastra, to "3rd Century B.C.to 2nd Century A.D." instead of 2nd Century A.D. as has already been mentioned in my books. Therefore, I request the readers to correct and read the date accordingly.

করম্না Bharat Muni গী Guru Dev Swati Muni না ইন্দিয়াগী পূং মখল অহুম পুথোকখি : ভারতিয়া সঙ্গিৎকী লীরবা লাইরিক Bharat Natya Sastra গী 43rd Verse তা Swati Muni না মান্নদবা পূং অহুম পুথোকখিবগী অসুম্না ইবিরম্মী। নোংমা নোংজু থাগী নুমিদাংৱাইরম অমদা Swati Muni না পুখ্রি অমদা ঈশিং শোকপা লেংথোরকখি। মহাক্লা ঈশিং শোকফম য়ৌরবা মতমদা নোং তাবা হৌরকখি। Swati Muni না ঈশিং শোকপা পুখ্রি অদু থম্বালনা পীক থন্না হৌরম্মী অমদি থম্বালশিংদুগী মনাশিং অদুসু অপা-অথা মান্নদবনা থম্বাল মনাশিং অদুগী মথক্তা তারকপা নোংলিকশিং অদুসু মখোল অমত্তা মান্নরমদে। লোয়ন-লোয়ননা নোংথক্তগী তারক্লিবা নোংলিকশিং অদুসু অচৌ-পিশক নাইবনা মরম ওইবনা মখল-মখলগী চাউবা পিকপা মান্নদবা নোংলিকশিং অমদি থম্বাল লৈকাশিংদগী থোরকপা খোয়থুম্নরবা খোঞ্জেলশিং অদু তারুবদা Swati Muni ঙকখিরম্মী। অপীকপা ময়ায় ওইবা মখোল ময়াম অদু তারুবদগী Swati Muni Dhayan তৌবা হৌই অদুগা করি করম্বা পোৎশক অমা পুথোকসিগে হায়না খল্লম্মী। মহাক্লা মহাক্কী আশ্রমদা হল্লক্লগা গম্ভীর (খোঞ্জেলদা), মধুর (অমেংবা) খোঞ্জেলদা য়াম্ন ধ্যান তৌরম্মী। মসিগা লোয়ন-লোয়ননা মখল মখলগী খোঞ্জেল থোকপা পূং মখলশিং লৈবাক্লা শাবা পুসকর হায়না খঙনবা Percussion Instrument Vishwakarma না শারম্মী। হায়রিবা Vishwakarma না শারিবা পূংশিং অসি লাইয়ামশিংগী পূং 'দুন্দুভি' গী মওং য়েংলগা আলিংগ্যা, উর্ধবিক অমসুং আংকিক হায়না মান্নদবা মখল নৎত্রগা মওং অহুমদা লৈবাক্লা শারম্মী। Swati Muni না Tripushkara হায়রিবা মওং মান্নদবা পূংশিং অসি দিজাইন তৌবদা Pushkara হায়রিবা Percussion Instrument মখল অসিবু Pushkartrya হায়নসু খঙনৈ। Pushkara হায়রিবা Percussion Instrument অসি Dundubi কৌবা লাইয়ামশিংগী পূংদগী মওং মতৌ লৌরগা শাবনি। Swati Muni গী ৱাখলদা অপীকপা, ময়ায় ওইবা, অচৌবনচিংবা নোংলিকশিং অপাবা, ময়ায় ওইনা থাবা অমদি খ্বাইদগী থাবা থম্বাল লৈনাশিংদা তারকপদা মখল মথেলগী মান্নদবা খোঞ্জেলশিং থোকফম থোকই। নোংজু থাগী মতমদা Swati Muni না থম্বাল লৈনাদা নোংলিক্লা খিকপগী খোঞ্জেল তাবগা লোয়ন-লোয়ননা মখল-মখলগী নোং খোংবগী খোঞ্জেল তারুবদগী মখল মখলগী পূংখোল Tripushkara কৌবা মান্নদবা পূং মখল অহুমদা পুথোকই। Tripushkara হায়বগী ৱাহন্থোক্তি Tri হায়বদি অহুম হায়বনি অদুগা Pushkara হায়বগী ৱাহন্থোক্লা পূং হায়বনি। অদুগা অপীকপা ইরিকশিং অমদি য়াইমরপ ওইবা ইরিকশিংনা থম্বাল লৈকাদা খিকপদা য়াম্না নুংশিবা অমদি য়াইমরপ ওইবা নুংশিরবা খোঞ্জেলশিংনা অতাবা মীয়াম্বু নুংঙাইহল্লি। গম্ভীর ওইবা অকনবা, অয়াকপা, অহৌবনচিংবা পূংলোনশিংদি নোংজু থাগী মতমদা অতপ্পা, য়াইমরপ ওইবা অমদি অহৌবা ব্রজশিংগী খোঞ্জেলশিংদগী মতৌ তম্বনি। হায়রিবা অহৌবনচিংবা, য়াইমরপ ওইবা অমদি য়াম্না মেংবা পূংলোনশিং অসি য়ৈরিবা মান্নদবা পূং মখল অসিবু Tripushkara হায়না খঙনৈ। মসি Mridaanga, Mrida হায়বদি লৈবাক হায়বনি অদুগা Anga হায়বনা বোদি হায়বনি। মসিনা তাক্লিবসি Bharat Natya Sastra গী মতমদা পূংশিং অসি মান্নদবা মখল অহুম থোক্লা লৈবাক্লা শারগা য়ৈরম্মী হায়বগী খুদমনি।




Dundubi হায়রিবা পূং অসি Tripushkara গী মমাঙদা হান্না পুথোক্লম্মী অদুগা লোয়ন-লোয়ননা হায়রিবা পূং অসি নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী ইন্দিয়াদা য়ৈনরকই। হায়রিবা পূং অসি বৈদিগ য়ুগকী মমাঙদগী য়ৈবা হৌরকই। লোয়ন-লোয়ননা মসি বৈদিগ য়ুগকী মমাঙদগী লৈরক্লবা Percussion Musical Instrument অমসুনি। হায়রিবা পূং অসি শালানগী মতম, জয় ওইবা মতম্নচিংবদা য়ৈনরম্মী।

মতেং লৌজখিবশিং :- 1. Dr. Yogamaya Sukla 2. Swami Prajnanananda

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -১৩

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

**আর কে দোরেন্দ্রো সিংহনা** মাগী অনীশুবা মিনিষ্ট্রিদু জুলাই ২৩, ১৯৭৫দা ৱাশকখি। মাগী মিনিষ্ট্রি অসিদা কেবিনেট থাক্তা ৭, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটকী থাক্তা ৯নি।

**কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা পায়বা ফমশিং (২৩/৮/৭৬তা)**

১) শ্রী আর কে দোরেন্দ্র : চীফ মিনিষ্টর-

(ক) কনফিদেন্সিএল অমসুং কেবিনেট দিপার্টমেন্ট (খ) হোম দিপার্টমেন্ট (গ) সেক্রেটরিয়েট এদমিনিষ্ট্রেশন দিপার্টমেন্ট (ঘ) এপোইন্টমেন্ট এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট (ঙ) লো দিপার্টমেন্ট (চ) ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট (ছ) প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট (জ) ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ দিপার্টমেন্ট (ঝ) পব্লিক ৱার্ক দিপার্টমেন্ট (ঞ) এরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট (ত) ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট (থ) ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট (দ) ইনফোর্মেসন, পব্লিসিটি এন্দ টুরিজম।

২) শ্রী রিশাং কৈশিং : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর -

(ক) এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট (খ) দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল ৱেলফ্যের এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস।

৩) আর কে রনবীর : ফাইনান্স মিনিষ্টর

(ক) ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট (খ) রেভেন্যু দিপার্টমেন্ট (গ) লেবর দিপার্টমেন্ট (ঘ) এন এস জি দিপার্টমেন্ট।

৪) শ্রী এস বিজোয় : ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর

(ক) ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট (খ) পিসচিকলচর (এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট) (গ) ইনলেন্দ ফিশরিজ (রেভেন্যু দিপার্টমেন্ট)।

৫) শ্রী টি পি কিউলেংপাও - কোওপরেসন দিপার্টমেন্ট

(ক) কো ওপরেসন দিপার্টমেন্ট (খ) সী দি এন্দ রুরেল দিপার্টমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ দিপার্টমেন্ট

৬) শ্রী এম মেঘচন্দ্র - মেদিকেল মিনিষ্টর

(ক) মেদিকেল, হেলথ এন্দ ফেমিলি প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট (খ) এ এন পি (সী দি এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ দিপার্টমেন্ট) (গ) ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট

৭) শ্রী এন গৌজাগিন - এগ্রিকলচর মিনিষ্টর

(ক) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট (খ) এনিমেল হাজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট (ইনক্লুদিং দাইরি ফার্মিং) (গ) আই এ দি পি (নুংবা প্রোজেক্ট) দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস ৱেলফ্যের

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (তাং ২০/১/৭৬তা)-

১) শ্রী হানখোমাং হাওকিপ - (ক) এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট (খ) ত্রাইবেল দিপার্টমেন্ট (গ) পি দব্লিয়ু দি।

২) শ্রী আর কে থেখো - (ক) পি দব্লিয়ু দি (খ) এপ্লাইদ ন্যুত্রিসন প্রোগ্রাম

৩) শ্রী ঐচ টি থুঙ্গাম - (ক) মেদিকেল, হেলথ এন্দ ফেমিলি প্লান্নিং সার্ভিসেস (খ) কো ওপরেসন

৪) শ্রী অশ্রাফ অলি - (ক) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট (খ) এনিমেল হাজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট (গ) পিসচিকলচর

৫) শ্রী এম গৌরামনি - (ক) ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট (খ) লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট

৬) শ্রী এম ইবোতোম্বী - (ক) রেভেন্যু দিপার্টমেন্ট (খ) লেবর দিপার্টমেন্ট

৭) শ্রী কে ঐচ রাথা - (ক) ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাই দিপার্টমেন্ট (খ) পব্লিসিটি, ইনফোর্মেসন এন্দ টুরিজম

৮) শ্রী কে ঐচ নিমাইচান্দ - (ক) ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট (২) ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট

৯) শ্রী এস বিরামনি - (ক) ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট (খ) স্পোর্টস এন্দ কলচর

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা জুন ২৬, ১৯৭৫দা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকখি। ইমর্জেন্সি লাউথোকপা অসিবু চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মন্ত্রিশিংনা শ্বাগৎ তৌখি অমসুং প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরবু মতাং চানা দেমোক্রেসি কন্নবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবা অসিগীদমক্তা থাগৎখি। ত্রেদ য়ুনিয়ন, এসোসিএসন কয়ানসু থাগৎখি।

লৈঙাক তরু-তনানবা ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা মাগী কেবিনেটকী মরুপ-মপাংশিং অমসুং সেক্রেটরিয়েটকী মকোকশিংবু থবক কন্না শূনবা হায়খি। মন্ত্রিশিংনা মখোয় মখোয়গী মখাদা লৈবা ওফিসশিংদু য়েংশিল্লম্মী। থেংনা লাকপা নৎত্রগা তোইনা ওফিস কাদবশিং থবক্তগী পোত্থাহনবা ফাওবা তৌখি। শেঞ্জা থুমজা থিংনবা গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙখি। ইলেক্ট্রিসিটিগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অনী, এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র ৩ সস্পেন্দ তৌখি। মথৌদা থৌশাদবা, মরম চাদনা কাদবগীদমক চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর অমা, মেদিকেল ওফিসর অমা সস্পেন্দ তৌখি। শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মরালদা সুপরিটেন্দিং এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিসিটি) অমসুং দিরেক্টর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি সার্ভিসকী মথক্তা দিপার্টমেন্টল প্রোসিদিং লৌখৎখি।

দিরেক্টর ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনবু ওথোরাইজ ওফিসর ফোর সিনসরিটিজ ওইনা হাপখি। লোকল দেলিজ, ৱিকলিজ, ফোর্টনাইলিজ, মন্থলিজ খুদিংমক প্রী সেন্সরসিপ তৌহনখি। লময়ানবা হায়বা পান মণিপুরী য়ুথ লীগনা ফোঙবা থাগী চেফোং অদুগী জুলাই থাগী ইস্যু অদু সেন্সরসিপ গাইদ লাইন ইন্দবগীদমক্তা মৎখি। মরম চাদনা পংই ইশনবা তৌদনবা নুংতিগী ফোঙবা চেফোং খরসু ৱার্নিং তৌখি।

পুলিসনসু লমচৎ কান্বা অমদি এন্টি সোসল ওইবা মীওইশিংগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। মীওই ১৬১বু য়ু থক্লগা ঙাওশিন্নবা, খৎন-চৈনবগীদমক্তা ফাগৎখি। মরমচৎ চুমদবা নুপী দজনমুকসু ফাগৎখি। মীওই ৮দি DISIR গী মখাদা ফাদুনা থমখি। মীওই ৮ অমসু MISA গী মখাদা ফাখি। স্মগ্লর ৩সু ফাখি। য়ু শুংফম কয়াদসু র্যেদ তৌখি। লুপা ৪০০০গী য়ু শুংবদা শীজিন্নবা খূৎশু খূৎলায় ফাগৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী ত্বেন্টি পোইন্ট ইকোনোমিক প্রোগ্রাম মপূং ফানা পায়খৎনবা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম ফগৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা এসোসিএটেদ চেম্বর ওফ কমার্স এন্দ ব্যুজিনেস কম্যুনিটিগী মেম্বরশিংগা ৱারী শান্নখি। পোৎ চৈ মমল ৱাংহন্দনা, পোৎ চৈ মরাং কায়না ফংহনবদা মখোয়না লৌগদবা থৌদাং অদু মখোয়দা ৱাখল তানবা হায়খি। গভর্ণমেন্টনা হায়জবদু মখোয়না য়াখি। ব্যুজিনেস কম্যুনিতিশিংনা মখোয়গী পোৎ চৈশিং অদু শেন্দোং য়াম্না তানবসু নত্তবা মাঙবসু নত্তবদা য়োঞ্জগে হায়খি। লৈঙাক্লসু পোৎ চৈ য়োল্লিবশিং অদুগী মমল মতম মতমগী লেপই, হোল সেল নৎত্রগা রিটেল প্রাইজগী মমল লেপখি। কঞ্জুমর এন্দ ফ্যের প্রাইজ শোপশিং হাংদোকখি। লৈঙাক্কী গোদাউন্দদা লৈবা পোৎ চৈশিংগী ষ্টোক পোজিসনসু য়েংশিনলম্মী। ব্লেক মার্কেট তৌবশিংবু ফাগৎলি। সেপ্টেম্বর ১, ১৯৭৫দগী লৈঙাক্কী দাইরিনা শঙ্গোম য়াওনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা য়োল্লিবশিং অদু য়ানশিনব্রা হায়দুনা চ্যেক তৌখি।

কন্ট্রোল তৌবা ফীশিং অসি মণিপুর হোল সেল কোওপরেটিভ সোসাইটিবু হোলসেলর ওইনা য়োলহল্লি। অতৈ কোওপরেটিভ সোসাইটিশিং ৩৩দা রিটেল দিষ্ট্রিব্যুটরস ওইহল্লি। রিটেল দিষ্ট্রিব্যুটর ৩৩গী মনুংদা ৯না চীংগী লমদা লৈ, ১৫না খুঙ্গংদা লৈ অমসুং ৯না সহরদা লৈ। ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদতগী লুপা লাক্ষ ৪ ফাওবা পৈশা পুবা য়াহল্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু সেপ্টেম্বর ২৫, ১৯৭৫দা লুপা ৭৭,০০০ সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্ট ফোর মার্জিনেল মনি ফোর ষ্টেট কন্ত্রিব্যুসন এক্ট স্যের কেপিটেল ওইনা সেঙ্কসন তৌরকখি। থাদা সোসাইটিশিংদা পীরিবা ফী অসি বেন ৯০নি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লুপা ৯০,০০০ খক মণিপুর হোলসেল কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদতা মতেং পীরকখি। মসি রিটেল আউটলেটশিং ১) শিংজমৈ বজার অমসুং ২) বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদ ইম্ফালদা হাংনবনি। আউটলেট অমদি সেপ্টেম্বর ৭, ১৯৭৫দা হাংদোকখি। ফেব্রুৱারী ১৯৭৬তা কোংগ্রেস এম এল এ মশীং অসি ৪২নি। য়ংমাসোনা লুচিংবা মণিপুর হিলস য়ুনিয়ন অসিসু কোংগ্রেসতা য়াওশিনখ্রে, মণিপুর হিলস য়ুনিয়ন লৈত্রে। ফেব্রুৱারী ১৯৭৭তা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা ওইরিবা এম মেঘচন্দ্র অমসুং এম হেরা অনী অসি কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে। কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মখোয় অনীবু পার্টিদগী তান্থোকখ্রে। কম্যুনিষ্ট পার্টি অসিনা দোরেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি সপোর্ট তৌরম্বসু তোক্লে। অদুবু মেম্বর ৫০ লৈবা দোরেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি অদুদি মখা শাংথনা লৈখি। মার্চ ১৯৭৭তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী ইলেক্সন্দা কোংগ্রেস পার্টি মায়থীরে অমসুং জনতা পার্টিনা লৈঙাক পায়খি, শ্রী মোরাজী দেশাইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি। মসিগী ফল অসিনা মণিপুরদসু অওনবা অমা লাকখি। কোংগ্রেসতা চঙলকপা শ্রী য়ংমাসো শৈজানা লোক সভাগী মীখলগী টিকেট পীদুনা কারে। মে ২, ১৯৭৭তা কোংগ্রেস পার্টিদগী এম এল এ ২৬ তোকখিদুনা জনতা পার্টিদা য়াওখ্রে। য়ংমাসো শৈজাসু কোংগ্রেসতগী তোক্লগা জনতা পার্টিদা য়াওখ্রে। মে থাগী ময়ায় চল্লকপা অদুৱাইদদি আর কে দোরেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি অসি মাইনোরিটি তারে। মহাক্লা থবক্তগী পোত্থাজরগে হায়দুনা মে ১৩, ১৯৭৭তা চে লানশিনখ্রে। মে ১৬, ১৯৭৭তা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রে। কোংগ্রেস পার্টি অসি প্রসিদেন্ট রুল মতমদা মমি শান্নক্লে। চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা আর কে দোরেন্দ্র ফাওবা পার্টি থাদোক্তুনা জনতা পার্টিদা য়াওখ্রে। জুন ২৯, ১৯৭৭তা শ্রী য়ংমাসো শৈজানা লুচিংবা জনতা পার্টি মিনিষ্ট্রি শেমখ্রে।